রিফোর্ম তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌ পুবশিং ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রিফোর্ম তৌখ্রে।

রিফোর্ম তৌবগী থৌরম অদুদা সুক্কী এদভাইজর লাইখুরাম জয়ন্তকুমার খুমন অমদি সুক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রোজেন কুমারনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। সুক ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌখিবগা লোয়ননা ঙসিদগী মহৈরোয় ৩৩না শাবা সুক দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী থবক পায়বা হৌরগনি হায়রি। নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি প্রসিদেন্টনা এস ঐচ জয়কিষন, ভাইস প্রসিদেন্টনা টেনিসন, জেনরেল সেক্রেটরিনা নাওরেম দিনেস, জোইন্ট সেক্রেটরিনা ৱাই নন্দরাজ, ফাইনান্স সেক্রেটরিনা কে কেস্পর, ওর্গেনাইজেসন সেক্রেটরিনা এম সক্সেস, ঐচ আর দি সেক্রেটরিনা ৱাই মনোজ, পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা কে এস ঐচ রোমেস, হেলথ এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিনা কে এস ঐচ সন্তোস, ৱিমেন ৱেলফেয়র সেক্রেটরিনা কে এস ঐচ রেসমা অমসুং কলচরেল সেক্রেটরিনা প্রেমেশ্বরিনি হায়না সুক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম দোল্লর সেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): বনিয়ান রিপরটরি থিএটরগী সেনিয়র আর্টিষ্ট ওইনা থৌদাং লৌরম্বা লোয়ননা মমাঙদা জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌসু পুরম্বা আর্টিষ্ট হিদাম দেবান্না থা অসিগী ২১দা লৈখিদবদা রিপরটরি অসিগী কমপ্লেক্সতা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমদি আর্টিষ্টশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

বনিয়ান রপরটরি থিএটরগী সেক্রেটরি এল টিকেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থিএটর অসিনা পুথোকখিবা অন্ধা য়ুগ, বিস্ম, কলিঙ্গ, ফৌওইবী, ত্রিটি ওফ য়ান্দাবো, মুনবিখ্রবা লৈঙাক, ময়োন হুন্দ্রবা য়েন্নিং, শক্তম লাংলক্লবা শান্তিনচিংবা প্লে কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা আর্টিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরম্বী অমদি মতম শাংনা ইরমদম অসিগী ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী হিদংময়ূম সনাহনবীনা থা অসিগী ১৮দা লৈখিদবদা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। অমকিলগী ওফিসতা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা অমকিলগী এগজিক্যুটিভ বোদিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবী হিদংময়ূম সনাহনবীবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দগী মেম্বর ওইরম্বা থোঙাম অজিৎ (মাইকেল) তাওথোং অফৈবা লমশাংদা লৈবনা থা অসিগী ১৫দা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়রপর্সন নিংথৌজম সুমতিবলা, মেম্বরশিং কৈসাম প্রদিপ, মোনতু অহন্থেম অমসুং প্রোগ্রাম ওফিসর য়ুম্নাম বোবী অমদি কম্মিসন অসিগী ষ্টাফশিংনা মপুং ফানা শৌগৎপীদুনা এস বিজেন্তি কৌবী নুপী অমদা মহাক্লা পোকচবা মচা শীন্নবীদুনা চাইল্ড ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্ট অমা শেমগৎপীখিবগী-দমক্তা ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি (ইন-চার্জ), এদিস্নেল এস পি ৱাংপুম কচ্ছার অমসুং মহাক্কী ষ্টাফশিংনা অঙাং অদুবু মহাক্কী মপাগা লোয়ননা থা অসিগী ১৭ তা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী ওফিসতা পুথোকপীদুনা লাংঙথেলদা লৈবী এস বিজেন্তিদা চহী মরি শুরবা মচানুপা অসিবু শীন্নবিখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এদমিসন তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা একাদেমিক সেসন ২০১৮-১৯গী মাষ্টর ওফ ফাইন আর্টসতা মীং চনবা য়াগনি হায়রি। মাষ্টর ওফ ফাইন আর্টস কোর্সতা মীং চনবা য়াবা কেন্দিদেটশিং অদুদি বেচেলর ওফ ফাইন আর্টস নৎত্রগা বেচেলর ওফ ভিজুএল আর্টসকী দিগ্রি পায়রবা, পেন্টিং, স্কলপচর, এপ্লাইদ আর্টস অমসুং প্রিন্ট মেকিংদা শকখঙলবা য়ুনিভর্সিটি অমগী চহী ৪গী দিগ্রী কোর্সতা চাদা ৫০গী মার্ক ফংলবা কেন্দিদেটশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। লোয়ননা ফোর্ম য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেশ কাউন্টরদগী ফংগনি হায়রি।

পি ঐচ সী শিব পুরিলখানদা স্পেসল মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): নেসনল হেল্ঠ মীসন মণিপুরগী মখাদা নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ কেন্সর, দাইবেটিস, কার্দিওভাস্কুলর অমসুং ষ্ট্রোককী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ওইরিবা দেপ্যুটি দিরেক্তর (পি ঐচ) ৱাই প্রেমচন্দ্রনা লুচিংবা দোক্তর ১১, পেরা মেদিকেল অমসুং ওফিসলশিং য়াওবা টিম অমনা থা অসিগী ২০ দা ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা পি ঐচ সী শিব পুরিলখানদা দাইবেটিস, হায়পর টেন্সন অমসুং কম্মন কেন্সরশিং, ব্রেষ্ট, সর্ভিক্স অমসুং ওরেলগী ওইবা স্পেসল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

জিরিবামদগী কিলোমিটর ৪০ রোম চংশিল্লক্লগা লৈরিবা ফের্জোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মনুং হঞ্জিনবা তোঙান তোঙানবা পি ঐচ সীশিংদা ন্যু লাইফ ত্রষ্ট এন জি ও অসিগা আউটসোর্স তৌদুনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বরদগী হৌদুনা হেল্ঠ ক্যেয়রগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী য়াইফনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা ন্যু লাইফ ত্রষ্টনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পি ঐচ সী শিব পুরিলখান সেন্তর অসি ২৪x৭ গী মথৌ পাঙথোকহন্দুনা লাক্লি অমদি খুঙ্গং ১৮ রোমগী মীয়াম্বু হকশেলগী তঙায়ফদবা খুদোংচাবশিং ফঙহন্দুনা লাক্লি। ডা. এল তিলাকেশ্বরি, ডা. মেঘনাথ অঙোম, ডা. মনোরঞ্জন, ডা. লিয়োংমাং সাংতে, ডা. এল সুরঞ্জয় অমদি ফিজোথেরাপিষ্টশিং, মেনেজরশিং অমদি টেক্নিসিয়নশিং য়াওবা টিম অদুনা এন্টি নেটেল চেক অপ, দেলিভরি, ইম্ম্যুনাইজেসন, রুটিন জেনরেল ও পি দি অমসুং ইন পেসেন্ট সর্ভিসশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীখি।

ন্যু লাইফ ত্রষ্টকী মেনেজর অনুপ্রিয়ানা ফোঙদোরকপদা, কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদগী লাকপা মীওই ২১৪ বু তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওং কয়াগা মরী লৈননা লায়েংখি। মীওই ১১১ না হায়পর টেন্সন লৈৱ্রা হায়দুনা য়েংখি অমদি নুপা ৬ অমসুং নুপী ১৫ না ব্লদ সুগর ৱাংনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুগী মনুংদা নুপী অনী অমসুং নুপা অনীসু দাইবেটিস অমদি হায়পরটেন্সন লৈরম্বা থেংনখি। ওরেল/দেন্টেল ইগজামিনেসন, গাইনি, স্কীননচিংবগী মেদিকেল ইগজামিনেসন তৌখিবগা লোয়ননা মাইনর ওপরেসনসু পাঙথোকখি। ফ্রি ব্লদ গ্লুকোজ অমসুং বি এম আই টেষ্টসু তৌখি।

স্পেসল হেল্ঠ কেম্প অদুগা মরী লৈননা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা কম্যুনিটি সিক্যুরিটি সপোর্ট সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা হোস্পিটাল কেম্পস মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্লখি। কেম্প অদুগী অনীশুবা নুমিৎতা ন্যু লাইফ ত্রষ্টনা শীন্দুনা এন সী দি কেম্প অমা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোরোবেক্রা পি ঐচ সীদা পাঙথোকখি। টিম অদুদা পি ঐচ সী বোরোবেক্রা অসি হেল্ঠ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর অমা ওইনা ওন্থোকপীনবা ৱাফমসু মফম অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোরকখি হায়রি।

তৃনমুল কোংগ্রেসকী নেসনল কাউন্সিলগী মীফমদা ইস্যু কয়া পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৬তা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া তৃনমুল কোংগ্রেসকী নেসনল কাউন্সিলগী মীফমদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থেংনরিবা ষ্টেটসিগী ইস্যু কয়া পুখৎতুনা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া তৃনমুল কোংগ্রেস মণিপুর প্রদেসনা ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া তৃনমুল কোংগ্রেস মণিপুর প্রদেসকী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে মহাবিরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ওল ইন্দিয়া তৃনমুল কোংগ্রেসকী নেসনল চ্যেরপার্সন মমতা বেনর্জিনা মীফম মপূ ওইদুনা পার্টি অসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা মরু ওইবা ষ্টেটশিংগী প্রসিদেন্ট, পার্টিগী এম পি অমদি এম এল এশিং লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মীশক কয়া য়াওবা মীফম অদুদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থেংনরিবা আই এল পিগী ইস্যু, এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা থেংনরিবা চৈথেংশিং, সিটিজন্স এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাং অমদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফমশিং মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ডা. এস মনাওতোম্বা পুখৎপগা লোয়ননা মীফম অদুনা কূপ্না খন্ন নৈনখি হায়রি।

নেসনল কাউন্সিলগী মীফম অদুদা মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম সুরেস, এম কোপো জেনরেল সেক্রেটরি অমদি মহিলাগী প্রসিদেন্ট আর কে সর্জুবলানচিংবা মরুওইবা পার্টিগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

নেসনল কাউন্সিলগী মীফমনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা ইন্নর অমদি আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীহুৎ থাগৎনবসু ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা ষ্টেটকী প্রসিদেন্টদা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া শিন্নরকখ্রে হায়রি।

নেসনল কাউন্সিলগী মীফমদা মণিপুরগী হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফকী পোথোকশিং হেন্না প্রমোট তৌনবগী ৱাখল্লোন্দা মণিপুরগী ইয়োংগী পোথোকশিং নেসনল পার্টিগী শক্ল ইরবা মীওইশিংদা খুদোল তমখি।

নীংশিংবা য়াবদি মীফম মমাঙ থা অসিগী ১৫দা এ আই টি সীগী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ ওইরিবা সাব্যা সসিদত্তগা অখন্ননা উনবা মীফমদা দি মোনেটাইজেসন অমদি জি এস টি চৎনরকখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক অসিগী মখাদা লাক্লিবা মীয়ামগী ৱাকৎ অমদি হোংলক্লিবা লমদমসিগী শেন্মীৎলোনগী শক্তম কয়াগী চপ চাবা অকূপ্পা রিপোর্ট অমা অথুবদা পার্টিগী হায় কম্মান্দদা পীখৎলক্লবসু খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

‘বি জে পিদগী তান্থোরকখিবনি হায়বা ৱাফম য়ূম্ফম য়াওদবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মমাঙদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এ আর খান (রিটয়ার্দ আই এ এস) কা লোয়ননা এক্টিভ মেম্বর ৩০ রোম অমসুং প্রাইমারি মেম্বর লিশীং ২ রোমগা লোয়ননা তোক্লে হায়না থা অসিগী ১৮দা লাউথোকখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২০দা এ আর খান (রিটয়ার্দ আই এ এস) পু হান্না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অসি কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ২২দা পার্টি অসিদগী তান্থোকখিবা মীশকনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসি য়ানীংদে হায়না এ আর খান মশানা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা ক্ষেত্রি বেঙ্গুনদা উনবদা এ আর খাননা মখা তানা হায়খি, বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্টনি হায়বা হিজম চাওবা কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদু অমুক হন্না থা অসিগী ২১দা অমুকসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরতকুমারনা ৱাফম অদুগা মান্ননা ফোঙদোরকপা অসি নেসনল পার্টিনি হায়রিবা বি জে পিগী ওইবা ইকায়নীংঙাই ওইবা ৱাফমনি হায়খি।

কুমজা ২০১৭কী ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সন মমাঙদা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরল্লগা মরুওইবা থৌদাং কয়ামরুম পুদুনা ইলেক্সন লোইরগা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শেল্লবা মতুংদা মতম খরা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বনি।

ইলেক্সন মমাঙদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টকী ফম পুবগী মতম শুরদুনা পোথাখ্রবা মতুংদা কে ভবানন্দনা প্রসিদেন্টগী ফম অসি পুরক্লবনি। লোয়ননা ঐহাকপু ভাইস প্রসিদেন্ট হাপ্পগী ওর্দর অদু কে ভবানন্দনা খুৎয়েক পীখিবনি। কমদৌনা এ আর খানগী ভাইস প্রসিদেন্টকী ফমসু লোইখ্রবনি হায়রিবনো। অদুগা অমুক্কসু হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা তৌখিবা মীখল অদুগী হেক মতুংদা কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ২২দা মহাকপু ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম লৌথোকখিবনি অমসুং পার্টিদগী তান্থোকখিবনি হায়রক্লিবা অসি কিনীংঙাই ওইবা অমদি বি জে পিনা ওইদবা অচৌবা ৱাফম খরা হায়জিল্লে হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়খি।

ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ইন চার্জসু ওইরম্মী। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইলেক্সন মতুংদা লৈঙাক শেল্লবা মতুংদা ককচীংদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা শরুক য়ারুবসু লৈরি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা হেদ ওফিসতা ওফিসর বিয়ররশিংগী মিটিংদা য়াওবগী রেকোর্দসু লৈরমগনি। করিগুম্বা পার্টিগী ৱার্কর অমা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎলগা তান্থোকপা তারবসু পার্টি অদুগী কন্সটিট্যুসন্দা প্রোসিজর লৈজরিবনি। দিসিপ্লিনরি কম্মিটিদা রিফর তৌরগা খন্না নৈনরবা মতুং ইনক্কারি অমা তৌরবা মতুং লৌথোক্কদবনি। ইফোং ফোংনা পার্টি অদুবু শিংনবগী অমদি অফোংবা প্রমান লৈরগদি ইনক্কারি তৌদ্রবসু ওথোরিটিনা এক্সন লৌবা ঙম্মী হায়রি।

পার্টি অমদগী রিজাইন তৌদুনা চোঙথোকখ্রগা অতোপ্পা পার্টি অমগী টিকেটতা বি জে পিগী কেন্দিদেটকী মায়োক্তা মীখল থেংনরুবনচিংবা অসিসু খুদম অমনি। মদু নত্তনদি কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজন মতুং ইন্না দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা ইনক্কারি তৌরবা মতুংদা তান্থোকপা ওইরবসু তান্থোক্তবা ওইরবসু থবক লৌখৎপা য়াই হায়খি।

পোলিটিকেল পার্টি অমগী ষ্টেট লেভেলগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর অমবু তান্থোকপা হায়বসি প্রোসিজরগী মতুং ইনফম থোকই অমসুং মরী লৈনবা মীওই অদুদা নৎত্রগা মিদিয়াদা খঙহনফম থোকপনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ২২দা পার্টিদগী তান্থোকখ্রবা ওইরগদি মতৌ করম্না কুমজা ২০১৭কী এপ্রিল ২৪ অমসুং ২৫দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা চন্দ্রকৃটি হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মিটিংদা শরুক য়াদুনা দ্রাফট রিজোলুসন প্রিপিয়র তৌবদা নত্তনা মিটিং অদুদা মহাক অমসুং পি সরতচন্দ্র (রিটয়ার্দ আই এ এস) মোইরাং এ সীগী এম এল এবু দ্রাফট রিজোলুসনশিং অদু মুভ/সেকেন্দ তৌনবা নীংশিংখ্রিবনো। মিটিং অদুগী মিনটসতা রেকোর্দতা লৈরমগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। বি জে পিগী ৱাঙাঙলোইশিংনা পুকচেল শেংদবনা প্রোসিজর ওইদবা ৱাখল্লোন্না মাঙ থারগা তুং মাং য়েংদনা মতিক চাবা খুদম চাংদম লৈতবদা পংহায় হায়রম্বনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংনি হায়না মরাল শিরক্লি।

রাজ ভবনগী ত্রাফিক জঙ্কসন্দগী খুনখিবা লুপা লিশীং ৩৩ য়াওবা ৱালেট সী আর পি এফনা মপূদা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী রাজ ভবন্দা মথৌ পাঙথোক্লিবা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা রাজ ভবন ত্রাফিক জঙ্কসন মনাক্তা লুপা লিশীং ৩৩ য়াওবা ৱালেট অমা খুনখিবদু তাহৌরিবা মীওই অদুদা শিন্নখ্রে হায়রি।

১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২১গী অঙনবা অয়ূক্কী মতমদা রাজ ভবনগী ম্যেন গেটতা মথৌ পাঙথোক্লিবা ১০৯ বট্টালিয়নগী পার্সনেলশিংনা লম্বীদা ৱালেট অমা তাদুনা লৈবা উখি। ঐচ সী/জিগী মনোজ কুমার জোসিগী মখাদা লৈবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং, বি দি দি স্কাউট অমসুং বট্টালিয়ন অসিগী দোগ স্কাউটকী পার্সনেলশিংনা বেগ অদু থেংনরকখিবনি।

বেগ অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা লুপা লিশীং ৩৩গী শেনফম, ক্রেদিট কার্দ, দেভিট কার্দ, অধার কার্দ, আই দি কার্দ, পান কার্দ অমসুং ভোটর আই দি কার্দনচিংবা য়াওরম্বা থেংনখি। খুদক্তা মরী লৈনবা মকোক থোংবা য়ুনিট অসিগী ওফিসরদা খঙহনবদগী বেগ অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শগোলবন্দ লৈমখুজম লৈকায়দা লৈবা লৈমখুজম টোনি কৌবা চহী ৩১শুরবা মীওই অমগীনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

মহাক্কী আর সী বুকতা য়াওবা মোবাইল ফোন নম্বর অদুদা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুনা কন্টেক্ট তৌরবা মতমদা মহাক ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লাকখি অমদি মহাকপু ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা লুপা লিশীং ৩৩ অমদি ৱালেট অদুদা য়াওরম্বা দোক্যুমেন্ট পূম্নমক খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এল টোনিনা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী ওফিসরশিংদা ফোঙদোরকপদা মহাক্লা বাইক অমা থৌদুনা চৎলিঙৈদা ৱালেট অদু তাহৌখিবনি। মহাক পোরোম্পাৎতা লৈবা মণিপুর মিল্ক প্রদ্যুসরস কোওপরেটিভ য়ুনিয়মকী মিল্ক কলেক্টর ওইনা থবক তৌবনি।

সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা পুকচেল শেংনা মহাক্কী মাঙখ্রবা ৱালেট অদু অয়াওবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা শিন্নবিরকপগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা অসিগুম্বা পুকচেল শেংবা অমদি অমত্তা ওইবগী থবক থৌওং পাঙথোকখিবা অসি মসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙদা ইম্ফালগী রাজ ভবন্দা মথৌ পাঙথোক্লিবা সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা হৌখিবা চয়োলদা খাও অনী থেংনরকখি অমদি মদু লৌশিন্দুনা য়েংলবা মতুংদা খাও অমদনা মণিপুর পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর ওইবা মীওই অমগী ৱালেটকা লোয়ননা লুপা লিশীং ৩ অমদি মীচম অমদা ইবা লুপা লিশীং ৮গী চ্যেক য়াওরম্বা থেংনখি অমদি অতোপ্পা বেগ অমদনা লুপা লিশীং ১০, ক্রেদিট কার্দ, দেবিট কার্দ, বেঙ্ক পাসবুক, চ্যেকবুকশিং য়াওরম্বা থেংনখি অমদি মীচম অদু ইম্ফালগী য়ুনিভর্সেল গ্যাস সেফটি দিভাইসকী এ বোবি কৌবা মীওই অমা ওইরমখি।

অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা ১০৯শুবা বট্টালিয়নগী সী আর পি এফশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মচিন মনাও ওইবা অমদি অশেংবা মরুপ মপাং ওইবগী ৱাখল্লোন্দা তেংবাঙদুনা মতম পূম্নমক্তা লাক্লিবা অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি হায়রি।

বন্দ মনুংদা ট্রক মৈ থাখ্রে

কোক্রাঝার, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতগী য়াম পুরগা থৌজিল্লকখিবা ট্রক অমা অসামগী কোক্রাঝার দিষ্ট্রিক্টতা শকখঙদবা মীওইশিংনা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

ট্রক অদুগী দ্রাইভরবুনা থৌদোক থোকফমদগী চেনখিনবা হোৎনরকপদা গাড়ীনা থোন্বদগী শিরে হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়, হৌখিবা অহিংদা ট্রক অদু সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেজপুর তম্না থৌজিল্লকপদা বন্দ শৌগৎপা মীওইনি চিংনবশিংনা নেসনল হায়ৱে ৩১ গী নরাবারি মনাক্তা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি। বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল এরিয়া দিষ্ট্রিক্টতা য়ুনিয়ন টেরিটোরিএল কাউন্সীলগী ষ্টেটস পীগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা পুং ৪৮ গী বন্দ কৌরিবা মীওইশিংনা থৌওং অদু চথখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অদুদি উত্তর প্রদেশকী রামপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা কাজুবা কেম্পরি খুঙ্গংদগী সদাম হুসেন (২৫) কৌই। হুসেনগা লোয়নরকখিবা মীওই অহুমসু বন্দ শৌগৎপনি চিংনবশিংনা তমথিনা ফূখি হায়রি।

ওল অসাম কোচ রাজবোংসি য়ুব ছাত্র সমিলনি, ওল কোচ রাজবোংসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ কে আর এস য়ু) অমসুং ওল অসাম কোচ রাজবোংসি সমিলনি (এ এ কে আর এস) না নবেম্বর ১৯ গী অয়ূক পুং ৫ দগী হৌরগা কৌখিবা পুং ৪৮ গী বন্দনা অসামগী মফম খরদা মহৌশাগী ফীভমদা চাউনা অকায়বা থোকহনখি।

ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাসটেক) না শীন্দুনা চয়োল ৬কী ওইবা টেক্নোলোজি বেজ ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ওন ফুদ প্রোসেসিং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পাঙথোক্লগনি।

প্রোগ্রাম অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ১০দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৯ ফাওবা প্রাক্টিসিং জুনিয়র হায় স্কুল (দি আই ঈ টি) ককচীংদা পাঙথোক্কনি। ত্রেনিং অসিদা য়াওনীংবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা তাকয়েলদা লৈবা মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কমপ্লেক্সকী ওফিসতগী এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবা য়াগনি নৎত্রগা প্রাক্টিসিং জুনিয়র হায় স্কুল (দি আই ঈ টি) ককচীংদগীসু এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবা য়াগনি। লোয়ননা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৬তা ওইগনি। কেন্দিদেটশিং খনবগী ইন্টরভিয়ু লাক্লিবা দিসেম্বর ৮গী অয়ূক পুং ১১.৩০দগী হৌদুনা প্রাক্টিসিং জুনিয়র হায় স্কুল ককচীংদা পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী দিরেক্টর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাথনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নুপীলাল নীংশিং লমজেল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেভেল নুপীলাল নীংশিং লমজেল ওর্গেনাইজিং কম্মিটি শিংজমৈনা শীন্দুনা ২৭শুবা ষ্টেট লেভেল নুপীলাল নীংশিং লমজেল লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেল নুপীলাল নীংশিং লমজেলগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি লাইশ্রম জমুনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুপীলাল নীংশিং লমজেল অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ১২গী অয়ূক পুং ৬ তাবদা নুপীলাল নীংশিং খুভমদগী লমথারক্লগা শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা লমথুংফম ওইগনি। নুপীশিংতগী ওইবা লমজেল অসি মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্ননা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্কী চহী ৩৫শুরবা অমদি মথক্কী নুপীশিংনা মশা মশাগী নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎপী ইনবীরগা শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

লমজেল অসি কাঙলূপ ৩ থোক্লা খাইদোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগনি অমসুং মকোক মথং তাবশিং অমসুং লমজেল্লোই খুদিংমক্তা শিংজমৈদা পাঙথোক্কদবা নুপী লাল নীংশিং থৌরমদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নগনি হায়রি।

লমজেল অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনা শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা লৈবা নুপীলাল নীংশিং লমজেলগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবীয়ু অমসুং লাক্লিবা দিসেম্বর ৮ ফাওবদা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং পীশিনবীয়ু হায়রি।

ঙসিগী লম্ফাংনবা ৱাখলগী লমদাইদা নুংশিবা, পুন্সিগী মমল, থকসি-খাসি, ইকায়খুম্নবা পূম্নমক তপ্না তপ্না অমন্বগী খয়াৎতা তারবদা নুংশিবা, অফ-ফত্ত, অচুম-চুমদা খঙদনা তপ্না তপ্না ঙসিগী মীরোলদা হৈনবী অমগুম মায়কৈ খঙদনা চঙশিল্লক্লি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা অসুমক চৎখিবা তারবদি মীওইবগী চাওখৎপগী মমি শামখ্রগনি। ফুরুপ অসিগী লৈজরম্বা মচাক মরল পূন্বা মতমগী ইরোলনুংদা লুপখ্রগনি। মদুগীদমক লেপ্পা লৈতনা নুপীলাল হৌখিগনি হায়রি। তাহে উহৈদবা থৌদোক কয়া নোংমা কাংদবা মীশি মীনা, বন্দ-ব্লোকেদ, ৱাকৎ-মীফম, হুরান-চিন্থি, ভাইওলেন্স, নমথাক, চিরোল-খারোল, ঐ-ঐতগী হায়দুনা চরাংনহনবা, তংদু লৈতাদবসিদা ঐখোয় অসুম পংথদুনা, ফুন্দংননা মপি মপা য়াওদ্রবা, মপূ পান্দবগুম লৈথোকপগী মতম নৎত্রে। মাইরোং য়ানা চঙশিল্লসি হায়রি। অসিগুম্বা চিরবা, লুরবা তাঞ্জাদা মণিপুরী ইমাশিংনা মমা ওইবীগী মীনুংশিগা লোয়ননা মাইরোং য়াদুনা নুংঙাই য়াইফব্বা, ইকায়খুম্নবা ইরমদম অমা খুন্নাই অসিদা ঐখোয়না পীখি। ঙসিসু শিংনবা পূম্নমক মাইরোং য়ানবগীদমক্তা শেম শারসি। তুংগী মীরোলগীদমক, ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক মাইরোং য়ারসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱারী শানবদা য়াওহন্নবা তকশিনখ্রে

দিমাপুর, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): নাগালেন্দ গাউন বুরা ফেদরেসন (এন জি বি এফ) না ঙরাং গভর্ণর পি বি অচায্যা উনদুনা খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন-কেবু সেন্টরগা ৱারী শানবদা য়াওহন্নবা তকশিনখ্রে।

কোহিমাদা লৈবা রাজ ভবনদা এন জি বি এফকী প্রসিদেন্ট সাহলেন কোনয়াকনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা চৎতুনা গভর্ণরদা ৱাকৎ চে অমা পীশিনখি। খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা কাঙলুপনা নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা এন জি বি এফপু মিদিএটরগী থৌদাং লৌনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ওক্টোবর ২৫ দা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা এন জি বি এফকী মীহুৎ কাঙবু অমনা কোনয়াক্কী কাঙবুগা উনদুনা ৱারী শানখি। নবেম্বর ১ দা সেন্টরগী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি উনখিবদা কোনয়াক্লা লুচিংবা এন এস সী এন-কেবু ৱারী শানবদা য়াওহন্নবগী ৱাফম এন জি বি এফনা পুখৎখি।

গাউন বুরানা লৌরিবা থৌদাং অসিবু গভর্ণরনা থাগৎপা ফোঙদোক্লন্দুনা হায়খি, নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্তুনা নাগালেন্দদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবদা এন জি বি এফনা লৌরিবা থৌদাং শিংথানিংঙাইহনি। ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী থৌরাং অসি অচুম্বা মায়কৈদা চৎলি অমসুং অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। হিরম অসিগী মতাংদা নাগা মার্দরস এসোসিএসন্না লৌরিবা থৌদাংবুসু গভর্ণরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

আর্মিনা লোংদিংদা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী ৱাকৎ লাক্লে

ইটানগর, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশকী ৱেষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বোমটিলাদা অরুনাচল স্কাউটনা মী ফূবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লোংদিং দিষ্ট্রিক্টকী লোংখজান খুঙ্গংদা আর্মিনা খুঞ্জা কয়া ফূখিবগী ৱাকৎ অমা লাকখ্রে।

অরুনাচল ইষ্ট লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি নিনোং এরিংনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাকৎখি। নবেম্বর ১৮ দা ইন্দিয়ন আর্মিগী পর্সনেলশিংনা লোংখজান খুনগী খুঞ্জা ২৩ রোম মরম চাদনা ফূরম্বগী মতাংদা এম পিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ৱাকৎখিবনি।

অরুনাচল প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট অহুম-টিরাপ, চঙলাং অমসুং লোংদিংদা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং এন এস সী এন (কে) গী মীওই কয়া লৈরি হায়নসু এম পিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অদুদা য়াওখি। রিপোর্ট অমনা হায়, নবেম্বর ১৮ দা খুঞ্জাশিংবু লালহৌবগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অমা থাংনবা খঙহল্লকখি।

ন্যুজ রিপোর্ট অমনা হায়, নবেম্বর ১৮ গী নুমীদাংৱাইরমদা কেপ্টেন অমনা লুচিংবা ইন্দিয়ন আর্মিগী পর্সনেল খরা লোংখজানদা থুংলখ্রবা মতুংদা খুঞ্জাশিংবু লালহৌবগী মতেং পাংই হায়না মরাল শিখি। খুঙ্গংগী লম্পাক্তা খুঞ্জা ২৩ পুথোক্লগা তমথিনা ফূ-চৈবগী থৌওং চথরমখি হায়রি।

ফ্রী এমপ্লোএবিলিটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) না শীন্দুনা ৪শুবা বেটচকী নুমিৎ ২০নিগী ফ্রী এমপ্লোএবিলিটি ত্রেনিং ঙসি হৌখ্রে।

টি সী এস এফার্মেসন প্রোগ্রামগী মখাদা এম সী সী এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোক-খিবা থৌরম অদু হৌদোকপদা এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রেমেশ্বর, মাসটেক্কী দিরেক্টর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাথ, টি গুনেন্দ্রা এদিসনেল দিরেক্টর এন আইঈ এল আই টি কোর্পোরেট ত্রেনর পেন্সি মেরি টি সী এসনচিংবনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা এস সী, এস টি অমসুং ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ক্লাসেসকী কেন্দিদেট ৩৬না শরুক য়ারি। টি সী এসনা ত্রেনিংশিং অদু ইন্টরভিয়ু লৌরবা মতুংদা মদুদা মায় পাক্লকপশিং অদু খনগৎতুনা ত্রেনিং অসি পাঙথোকখিবনি অমদি মখোয়বু এন্ত্রি লেভেল জোব টি সী এসনা ইনিদয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্তুনা খনগৎকনি হায়রি।

CAS REVISION
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position
LANCHENBA OINAM
HSLC Exam 2018, 94%
(Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)



19th Position
DEEPAK OINAM
HSLC Exam 2018, 92%
(Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)



ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam 2018, 75.8%
(Man, M, Sc.)



MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam 2018, 74.5%
(Man, M)

LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam 2018, 72.6%
(MIL, E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4983/13/11-12/12

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018-19
CLASS - I TO X (Both CBSE & BOSEM)
Timing:
5:00 am to 8:00 pm
5:00 pm to 8:00 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
REVISION FOR CLASS-X
Subject: Maths, English, Science, Social Science
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 1000/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1200/- Month) CLASS IX & X (Rs. 2500/- Month)
CLASSES STARTING FROM 20TH NOV & 20TH DEC, 2018
HL-P/5002/18/11-17/12